বিরজিৎ খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদগী এল বিরজিৎ সমাটা সাহিত্য একাদেমীগী নোর্থ ইষ্ট জোনগী প্রসিদেন্ট খল্লে হায়না সমাটা সাহিত্য একাদেমী ইনিদয়াগী নেসনল প্রসিদেন্ট ডা. দি এস তান্দেকরনা চেরোল অমা থারক্তুনা খঙহল্লকখ্রে।

শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা লৈবা এল বিরজিৎতা সমাটা সাহিত্য একাদেমীগী নেসনল প্রসিদেন্টনা চেরোল অমা থারক্তুনা নোর্থ ইষ্ট জোনগী প্রসিদেন্ট খল্লে হায়না খঙহল্লকখিবনি। এল বিরজিৎ তোঙান তোঙানবা থবক কয়া তৌরকপা মীওইনি। জৱাহরলাল নবোদায়া বিদ্যালয়া সাউথ সিক্কিমদা কন্ত্রেক বেসিসতা টি জি টি মেথমেটিক্স ওইরম্মী। বিরলা সন লাইফ ইন্সুরেন্স গুৱাহাটি ব্রাঞ্চকী কোর্পোরেট ইন্সুরেন্স ইগজিক্যুটিব, আই সী আই সী আই প্রুদেন্সিয়েল লাইফ ইন্সুরেন্স গাঙতোক ব্রাঞ্চ সিক্কিমগী এজেন্সী মেনেজরসু ওইরম্মী।

ঈশিং থুল্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : হৌখিবা নোংমা-নীনি অসিদা মণিপুরদা অকনবা নোং চুবদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোঙাদা অমদি শবুংখোক, শৈজাংনচিংবগী মনাক্তা লৈবা লৌকোনশিং ঈশিংনা থুল্লে হায়রি। মমাঙদা থোকখিবা ঈচাউনা লৌ-শিং কয়া মাঙহনবগী অৱাবা খুঞ্জাশিংনা কোক্ত্রিঙৈদা ঙরাং নহানদগী অমুক লৌকোনশিংদা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী লৌ মশক উখিদ্রে। লৌফমশিং অসিদা থারিবা ফৌশিং মাঙলগদ্রা হায়বগী মীপায়বা পোক্লে। মসিদা নত্তনা ঙাগী ফার্ম খরসু অমাঙ-অতা কয়া থোক্লে হায়না খুঞ্জা অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

GAS TODAY

HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE
Booking Upto:05/06/2017
Valid From:01/06/2017
Stk :306
Timing:07.30am to 10.30am
(Aadhaar Link Consumers Only)

IMPHAL LPG SERVICE
SL. NO. 14810
Booking Upto:12/06/2017
Valid From:29/05/2017
Stk :306, 19kgs Stk-192

JEMON GAS SERVICE
CHINGAMATHAK
SL. NO. 27770
Booking Upto:02/05/2017
Valid From:25/04/2017
Stk :800
Timing:07.00am to 09.30am

K&K INDANE SERVICE
Booking Upto:05/06/2017
Valid From:15/05/2017
Stk :612
(First Come First Serve)
Timing:07.30am to 11.00am

KHONGNANG GAS SERVICE, NINGTHOUKHONG
SL.NO. 1915
Booking Upto:20/04/2017
Valid From:18/04/2017
Stk :306
Timing:07.00am to 10.00am

MAIBIA GAS, MOIRANG
SL.NO. : 5301 TO 6160
Booking Upto:05/06/2017
Valid From:29/05/2017
Stk :612
Timing:07.00am to 11.00am

MANIPUR POLICE GAS
Booking Upto:11/06/2017
Valid From:06/06/2017
Stk :306
(Only for CTC & DNSC)
Timing:10.00am to 01.00Pm

R&H, IRILBUNG
Booking Upto:07/05/2017
Valid From:28/04/2017
Stk :612
Timing:08.00am to 11.00am

RBD GAS AGENCY
Booking Upto:23/05/2017
Valid From:05/05/2017
Stk :612
Timing:06.30am to 10.30am

HEIROK INDANE
Booking Upto:17/07/2017
Valid From:18/06/2017
Stk :306
Timing:07.30am to 11.30am

KHURKHUL HEIKHAM INDANE GRAMIN VITRAK
Booking Upto:09/07/2017
Valid From:21/06/2017
Stk :300
Timing:08.00am - 12.00noon

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto:10/06/2017
Valid From:16/05/2017
Stk :612
Timing:07.30am - 10.00am

সোনিয়া নেপ্রমগী *ব্লদি ফনেক* ইন্টরনেসনল দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা উৎলুগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : সাউথ কোরিয়াগী গ্যোংগি-দোদা সেপ্টেম্বর ২০দগী ২৮ ফাওবা চথুরিবা ৯শুবা দি এম জেদ ইন্টরনেসনল দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ফেষ্টিবেল-২০১৭তা মণিপুরগী সোনিয়া নেপ্রমনা পুথোকপা অমসুং দিরেক্সন পীবা *ব্লদি ফনেক* উৎকদৌরি।

মণিপুরী নুপীশিংনা খ্বাইদগী মরুওইনা শীজিন্নরিবা ফনেক্কী মরমদা পুথোক্লিবা ফিল্ম অসি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৪২গী ফিল্ম ১১৪ ফেষ্টিবেল অসিদা উৎকদৌরি। মিনিট ৫২ শাংবা ফিল্ম অসি ফেষ্টিবেলগী গ্লোবল ভিজন সেক্সন (ৱর্ল্ড প্রিমিয়র কেটিগরি)দা সেলেক্সন ফংখিবনি। গ্যোংগি-দোদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রিমিয়রদা সোনিয়া মশামকসু শরুক য়াগনি হায়রি।

ব্লদি ফনেক হায়রিবা ফিল্ম অসি সেপ্টেম্বর ২৬কী লোকল টাইমদা নুমিদাংৱাইরম পুং ৭তা অমসুং সেপ্টেম্বর ২৮গী নুংথিল পুং ৫দা উৎকদৌরি। য়েলহৌমী পিকচর্সকী বেনর মখাদা সোনিয়া নেপ্রমনা প্রদ্যুসর অমদি দিরেক্টর ওইদুনা পুথোক্লিবা ফিল্ম অসি কুমজা ২০১৪দা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী পিটচিং প্রোগ্রামদা হৌদোকখি।

কুমজা ২০১৫দা দি এম জেদ দোক্যুমেন্টরি ফন্দ সাউথ কোরিয়াগী সপ্পোর্টগ্রান্ট ফংখিবা ফিল্ম অসি সোনিয়া নেপ্রমগী অনীশুবা ফিল্মনি। মহাক্কী অহানবা ফিল্ম *গন এন্দ এ গোদ* কুমজা ২০১৩দা ওনলাইনদা রিলিজ তৌখি। ফিল্ম অদু মুম্বাই ৱিমন্স ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেল (এম দব্লিয়ু আই এফ এফ)দা জুরি’জ চোইস এৱার্দ ফংখি।

চীং নিঙ্খায়বদগী লম্বী ফাওনদ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): হৌখিবা নোংমা-নীনি অসিদা মণিপুরদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী নেসনল হায়ৱে ০২ গী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কারোং অমদি উখুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কচাই লম্বীদা চীং নিঙ্খায়বদগী লম্বী ফাওনদ্রে হায়রি।

ঙসি অয়ুক খঙহৌদনা অকনবা নোং চুবদগী উখুলগী কচাই তাবা লম্বী অদুদা চীং নিঙ্খায়বদা গাড়ীশিং চৎপা য়াদনা পন্দুনা লৈরে। চীং নিঙ্খায়বনা মরম ওইরগা আই সী এ আরগী ওফিসল টিমসু কচাই য়ৌশিনবা ঙমদ্রে হায়রি।

লম্বী অসি উখুলগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিং ফুংয়ার, থৱাই অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট য়ৌগদবা লম্বীনি। মসি শেমজিন্নবা হোৎনবা নুমিৎ ২/৩ লোমদি চঙগনি হায়রি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ঙসি অয়ুক খঙহৌদনা চুরকখিবা নোংনা চীং নিঙ্খায়রকপদগী লম্বীশিং অসি ফুমজিনখিবদগী লম্বী ফাওনবা য়াদনা লৈবনি। হৌজিকসু লম্বী অসি লৈবাক ফুমজিনখিবনা মরম ওইদুনা মীয়াম চথোক-চৎশিন্দা চাউনা অৱাবা মায়োক্নহল্লে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক অঙনবদা নেসনল হায়ৱে ২ লম্বীগী কারোং মনাক্কী মাউন্ট জয়োন্তাদা চাউনা চীং নিঙ্খায়বদগী লম্বী ফাওনদ্রে। চীং নিঙ্খায়বা অদুনা মরম ওইরগা মখল অমত্তগী গাড়ী চৎপা য়াখিদ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মীয়ামগী মতেং পাংবগী থবক চথুরি। চীং নিঙ্খায়রিবা মফম অদু ফুট ২০ লোম পাক্না তকথরকপনা মরম ওইদুনা ঙসি নুমিদাং ফাওবা লম্বী ফাওনবা ঙমদ্রি। অথুবা মতমদা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

ত্রিপুরাদা আই পি এফ টিগী ...

লামায় ১গী মখা... শীন্নগদবনি হায়নসু এদিটর্স গিল্ড মণিপুরনা আপিল তৌরি। মরক অসিদা, হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংদা ত্রিপুরাগী ন্যুজ চেন্নেল অমগী পাউমী শান্তনুভৌমিক (২৮) না থৌদোক অমগী পাউ কভরেজ তৌরিঙৈদা মশক খঙদবা মীওই খরনা ফারগা থাঙনা থিনবদগী শোক্তুনা ত্রিপুরা মেদিকেল কোলেজদা লৈখিদবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) না শিন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবকী মমাঙদা লমদম অসিগী পাউমীশিংনা ৱাকৎ-মীফম চথখ্রে।

মথৌ তৌরিবা পাউমী অমদা শকখঙদবা মীওই খরনা ফারগা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবা থৌওং অদুবু অমজুনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

ঙসিগী ৱাকৎ-মীফম অদুদা প্লে কার্দতা ইদুনা থেৎখিবা ৱাহৈশিংদি শান্তনু মীহাৎ য়ানিংদে, জর্নেলিষ্ট হাৎপা লেপ্পু, ঐখোয়গী মথৌ তৌরিবা জর্নেলিষ্ট হাৎকনু, জর্নেলিষ্ট হাৎলগা সোল্যুসন নত্তে, জর্নেলিষ্ট হাৎপা চৈরাক পীয়ু, মীহাৎপা চৈরাক পীয়ু, চেঞ্চ য়োর এটিচ্যুদ হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং ইখি।

মরকসিদা পাউমীশিংদা ওৎ-নৈবা অমদি হাৎপগী থবক চথুরকপা অসি লমদম অসিদসু কুমজা ১৯৮৩ দগী ঙসি ফাওবদা পাউমী ৬ নোংমৈনা কাপ্পদা লৈখিদ্রে। অদুগা পাউমী ৩৮ না সিক্যুরিটি ফোর্সকী মীওৎ-মীনৈদা অৱাবা নংখ্রে।

মীয়ামগী মীফমদা য়াওবীয়ু ...

*লামায় ১গী মখা...*মণিপুর লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিন্দুনা লাকখি। ঙসি ফাওবদা চে অসি থাবা লৈত্রি। মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী তানফম অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা হীরম অসিগী মতাংদা থেংথরগা লৈরি।

এস টি চৎড়বা থেংথরিবমখে মণিপুরদা চীং-তম হায়বগী দিভিজন খায়দুনা লৈখিগনি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মরী লৈনবা লোয়শঙদা দোক্যুমেন্টশিং অমদি রিক্কমেন্দেসন থাহন্নবা তকশিনবা মথৌ তারি। মৈতৈ/মীতৈ অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লোয়শিল্লগা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা থাহন্নবা তকশিনবা চঙই। মখা তাবা খোঙজংগী পুন্না ৱারেপমিন্নবা থা অসিগী ২৪, নোংমাইজিং নুমিৎতা কোনুং লম্পাক্তা লৈবা ইবোয়াইমা সুমাং লীলা শঙলেনদা অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা নোংমগী ওইবা ৱারেপমিন্নবা মীফম পাঙথোক্লগনি। লৈবাক্কী ওইবা অরুবা ৱারেপ অমা লৌনবা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিগী য়েংলগা নুমিৎ অসিদা কনাগুম্বা লূপ অমত্তা বন্দ কৌবীগনু। মীফম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

মর্জর এগ্রীমেন্ট সুপ্রিম কোর্টনা ...

লামায় ১গী মখা... হায়রবনিনা ঐখোয়না পামজবা কন্সটিট্যুসন হায়বদি মৈহৌরোলদগী, লাই হাক্তক্তগী চৎনদুনা লাক্লবা কন্সটিট্যুসনশিং নৌনা শেমদোক্লবা কুমজা ১৯৪৭দা হাপচিনবা হায়বসি তঙাইফদে। অদুবু ৱাফম অসি মীয়ামগী অপাম-পামদগী মখা পোল্লি। মরম অদুনা মর্জর এগ্রীমেন্ট ককখ্রবা ফাওবদা হৌজিক ঐখোয়না ইন্দিয়ানি হায়না হায়জরিবসিদি ভোল্যুন্টরি নেচরনি হায়জবগী ৱানি। অদুনা ঐখোয়না মদু ওইররোই, পামদ্রে মদুদি ইন্সট্রুমেন্ট ওফ এসেসনগী পীরিবা প্রোভিজনশিং অদুগী মতুং ইন্না ঐখোয়গা মখোয়গা মরী লৈনসি হায়বগী ইন্টরনেসনল ট্রিটিগী মতুং ইন্না বেজ তৌবা পোজিসন্না লোনা য়াদুনা লৈরবা ৱাফম অমনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

মহাক্লা হায়খি, মীয়াম্না পামই হায়রগদি মদুদা চৎখিবদা লোনা থিংবা লৈতে। ঐখোয় মশেল ৱাখল তামিন্নরগা করম্বনা হেন্না ফৈ হায়বদু য়াম্না শেংনা হায়রবদা চীংগী মচোই মচোই তারগা লৈবা ইচিন-ইনাওশিংনা হায়রক্লিবসি মীতৈ অমা ওইনা হিংলুবগী মরম লৈতে। চাউখৎনবগী মরম লৈতে। অদুনা চীংগী লাংলিবা ঈরাংসিদা য়াওবনা ঐখোয়গী তুংগী থাজবা লৈ হায়দুনা লোইনা চঙশিনখ্রে। ঐখোয়সু স্কোপসি পুথোকফম থোকপ্রা নৎত্রগা থোক্তব্রা হায়বসি মীয়াম্না খন্নবা তাবনি।

সিরকাগী কো-কনভিনর লাইশ্রম রোমেশনা থৌরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেরম্বর ২১দা নিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিলোংদা নমদুনা কৌরগা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিল্লে হায়না লাউথোকখিবা য়াম্না নিংঙমখিদবা নুমিত্তু ঙসিনি। কুমজা ১৯৪৯গী থৌদোক অদুনা মীয়াম্না পীরিবা পাউজেল, নিংঙমদবা তেংথাখোল অদুনা ঙসিদি অমুক্তং মোমোন নোকচনবা লমদম অসিদা লৈরিবা মচা কয়ানা হোৎনরি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ঙরাং সিরকা ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টনা শীন্দুনা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা এম দি য়ু হোলদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ষ্টেট লেবেল ওপন দিবেটিং কম্পিটিসনদা মকোক মথং তাখ্রবা মীওই ১০দা মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা সনা কোনুং মণিপুরগী অঙোম নিংথৌ অঙোম অমুবীসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসি ময়াং ইম্ফাল সোসল ৱেলফ্যের ক্লব, মহারাবি য়ুথ ক্লব, য়াইরিপোক বামোন লৈকায় য়ুথ ক্লব অমদি ওইনাম মৈরা পায়বী অপুনবা লূপনসু শীন্দুনা পাঙথোকখি।

জিরি পুলিসনা মীওই অহুম হলহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ : জিরিবাম পুলিস ফোরেন্নর চেক পোষ্টনা মহৌশাগুম মপান লমদগী মণিপুররোমদা চঙলকপা মীওইশিং চেক তৌদুনা লাকপগী মখা চথুরকপা ওইনা ঙরাংসু পুলিস টিমনা চেক তৌবদা চে-চাং য়াওদনা চঙলকপা মীওই অহুম হলহনখ্রে। ঙরাং চেক তৌরিঙৈ নুমিদাং পুং ৮ লোম তাবদা নোনে মনাক্কী অৱাং খুলদা চৎনবনি হায়দুনা মীওই ১০ রোম ৱিঙ্গর এম এন ০১-২৩৩৮ তা পুদুনা লাকখি। জিরিবাম পুলিস ফোরেন্নর চেক পোষ্টনা চেক তৌবদা মীওই তরাগী মনুংদা মীওই তরেৎতি মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পায়রম্বদগী চৎহনখি। মীওই অহুমদি মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং য়াওরমদবদগী জিরি পুলিসনা ঙসি হলহনখ্রে। মীওই অহুম অদুদি, সুক্রু মুন্দা (২২) অপোকপা গনেস মুন্দা, কমলপুর ত্রিপুরা, মাজিৎ আলি (২৩) অপোকপা জমান আলি, অমজপুর অসাম অমদি এম দি সামসুল হগ (৩৩) অপোকপা রাসমান আলি কাছার অসামদগীনি হায়না পাউমীশিংগা উনবদা এদিস্নেল এস পি অজিৎকুমারনা ফোঙদোরকখি।

দ্রগ চারম্বা ১ ফারে, ১ না নান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা) লমদিং খুমন্থেম লৈকায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা লেপ্পা লৈতনা চথুরকপা দ্রাইবকী মনুং চন্না ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তাবদা শঙ্গাইয়ুম্ফমগী নুংফৌ এরিয়াদা থি-হুম্বা চথবদা দ্রগ চারম্বা অমা ফারে অদুগা অমনা নান্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি। লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা) গী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লূপ অসিনা ফারবা নুপা অদুগী মমিং খাঙেম্বম সুশিলকুমার (৩০) অপোকপা কে ঐচ গোজাও কৌই। মহাক লমদিং চেরাপুরদা লৈবনি। মহাক্লা লাকমিন্নবা নুপা অমদি অমম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা নান্থোকখ্রে হায়রি। মহাক্লা মখা তানা হায়খি, শঙ্গাইয়ুম্ফম নুংফৌ এরিয়াদা অতোপ্পা খুলদগী নহা ওইরিবা মীওই কয়া দ্রগ চাবা মশিং খঙদনা লাকপা হেনগৎলক্লে হায়বা তাবদা এসোসিএসন অসিনা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। এসোসিএসন অসিনা দ্রগ ফাবা চৎপা মতমদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীনবা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সার্ক্যুলেসন হেঞ্জিন্না হায়জিনবা...

*লামায় ১গী মখা...*অমসুং লৈঙাক অসিনা করি তৌরি, মীয়ামগী কান্নবশিং করি পীরিবগে হায়বা খঙহন্নবা এদভর্টিজমেন্ট তৌবদা ওইদ-পাদা তৌবশিং থিংনবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। এদভর্টিজমেন্ট লাক্লবা মতমদা ফোঙবা অমসুং সার্ক্যুলেসন হেন্না হায়জিল্লগা শেল ফংগনি হায়না লৌরগা চলাইরিবা পাউচেশিং মুথৎলগা তশেংনা অচুম্বা সার্ক্যুলেসন্দা ফোঙজরিবা পাউচেশিংদা এদভর্টিজমেন্ট হেন্না পীনবগী থৌশীলদা থৌরাং অসি লৌখৎপনি হায়রি।

প্রভিশ চনম মীশিগী মতাংদা ...

লামায় ১গী মখা... য়াওদ্রবা হকচাং পোৎলোইখি।

সেপ্টেম্বর ৯দা প্রভিশ মাঙখিবগী মতাংদা গৌতম বুদ্ধ নগরগী নোলেজ পার্ক পুলিস ষ্টেসন্দা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌখিবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা প্রভিশকী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং পোৎলোইখিবগী থৌওং অদু নোইদা পুলিস অমদি সিবিক ওথোরিটিশিংগী মরক্তা লৌতুনখিবগী মওংনি।

নেফিসকী চেরোল অসিনা হায়, সেপ্টেম্বর ১৩দা লৈখিদ্রবা প্রভিশকী মমান্নবশিংনা ভীম রাও অম্বেদকর হোস্পিটালগা মায়োক্লনা লৈবা নিথারি পুলিস চৌকিদা প্রভিশকী মরমদা ৱা হংবা চৎপদা পুলিস পার্সনেল খরনা তান্থোরকখি। হোস্পিটালগী ওথোরিটিশিংনসু প্রভিশকী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং মোর্গতা লৈ হায়বা খঙহল্লকখিদে। হোস্পিটালদা ৱা হংবা চৎলুবা নুমিৎ অদুমক্তদা প্রভিশকী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং পোৎলোইখিবা মরম্না হীরম অসিদা লৌতুনবা য়াওখিব্রা হায়বগী চিংননিংঙাই ওই।

অমরোমদা, নেফিসনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অমদা সী বি আইবু মপুং ফানা থিগৎহনগদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

য়ু পি পুলিসনা মীচং মীখায় নাইবা মওংদা ইনক্কারি চথবা মরম্না অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লবগীদমক সী বি আইদা মপুং ফানা থিগৎহনবা মথৌ তাই হায়না মেমোরেন্দম অদুনা ফোঙদোকখি। প্রভিশ মীশিগী মতাংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোক্লি।

কম্ম্যুনিটি রেদিও চাউখৎহন্নবা ...

*লামায় ১গী মখা...*খুদোংচাবা লৈতবা মরম্না ওষ্ট্রেলিয়া অমদি কেনেদাদা কম্ম্যুনিটি রেদিওবু পাউ ফাওননবগী মতাংদা অফবা খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরি। মণিপুরদসু কম্ম্যুনিটি রেদিও চাউখৎহন্নবগী মতাংদা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎপীনবা ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিদা অইবা চেরোল থারগনি হায়নসু গভর্নরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি, রাজ ভবন্দা কম্ম্যুনিটি রেদিও অমা লৈরবদি মীয়ামগী অৱা-নুংঙাই পূন্নমক শরুক য়ামিন্নবা ফংগনি।

তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীরদুনা স্মার্টকী ফাউন্দর অর্চনা কাপুরনা হায়খি, গভর্নর ডা. হেপ্তুল্লানা ৱার্কশোপ্তা শরুক য়ারিবা অসিনা শোথহৌরবা অমদি খুদোংথিবা মায়োক্নরকপা য়াবা নুপীশিং মতিক ময়াই হাপকৎনবা থৌরাংদা অয়াবা পীরে হায়বগী মতিক চাবা খুদমনি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা কম্ম্যুনিটি রেদিও এৱ্যেরনেস ৱার্কশোপ ৭৫ পাঙথোকখিবা তারবসু মণিপুরদদি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মেনষ্ট্রিম মিদিয়ানা থৌশাবীদ্রবা ইস্যু কয়া পুখৎতুনা খন্ন-নৈননবগী প্লেটফোর্ম অমা লৈহন্নবগী পান্দমদা কম্ম্যুনিটি রেদিও লিংখৎখিবনি।

নোর্থ ইষ্ট রিজনগী মতাংদা পি দি শর্ম্মনা হায়খি, অৱাং নোংপোক লমদমদা লেট্টর ওফ ইন্টেন্ট (এল ও আই) ৩৫ ইস্যু তৌখ্রে, জি ও পি এ নিপান সাইন তৌখ্রে, কম্ম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসন মরি মথৌ তৌরে অমসুং অনৌবা এপ্লিকেসন তরেৎ খন্নবগী থাক্তা লৈরি। ৱার্কশোপ অসিদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা কম্ম্যুনিটি রেদিওগী লাইসেন্স লৌনবা এপ্লাই তৌরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মেগা হর্জ ৯০.৪দা শন্দোকপা রেদিও এক্টিবকী পিঙ্কি চন্দ্রননা হায়খি, কম্ম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসন্না তোঙান তোঙানবা মীওই ফুরুপ কয়াগী মরক্তা পাউ ফাওননবগী মরুওইবা পাম্বে অমা ওইরি।

ৱার্কশোপ অদুদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টতগী লাকপা মীওই ৫০না শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা দাইমন্দ রেদিও : মেগা হর্জ ৯১.২গী পান্দম অমসুং কম্ম্যুনিটি রেদিও ষ্টেসন লিংখৎপগী মরুওইবা ৱাফমশিং য়াওবা বুকলেট অমা য়েন্থোকখি।

‘ত্রেনিবু ফুখিবা কোচ লৌথোক্কদবনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : শান্নরোয় অমবু ফিজিকেল এসোল্ট তৌখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দি ফিজিকেল এসোল্ট বাই গোল্ডন থাঙা, ওইনাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন অমসুং তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী লুচিংবা মীহুৎশিংনা রিজনেল দিরেক্তর ওফ স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া তাকয়েলপাৎকী ফ্রান্সিস মার্বিনগা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা ঙসি উনখ্রে।

জে এ সী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিং, এস এ আইগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর থাঙা অমসুং নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী ও সী বাইটেনা ৱেথলিফটিং কোর্ট অমনা শান্নরোয় অমদা চথখিবা থৌওং অদুগী মতাংদা ৱারী শানখি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ৱেটলিফটিং কোচ অসি মহাক্লা পায়রিবা ফমদগী থা অসিগী ২২ গী নুংথিল পুং ১ নৎত্রগা মসিগী মমাংদা লৌথোক্কদবনি হায়না তকশিনখি।

গোল্ডন থাঙানা ৱেটলিফটিং কোচ অমা ওইনা মহাক্কী ত্রেনি ওইনাম মমাং লৈকায়দা লৈবা ওইনাম তোন্দোনববু থা অসিগী ২ দা উৎলৌদা লৈবা এস এ আই (এস এ জি) গী ত্রেনিং সেসন মনুংদা এসোল্ট তৌখি হায়না মরাল শীরক্লি। ত্রেনি অমদা ফিজিকেল এসোল্ট তৌখিবা অদুনা মরম ওইদুনা ৱেটলিফটিং কোচ অসি ওথোরিটিনা মখা তানা শীজিন্নরোই হায়বা ৱাফমসু য়ানখি।

নীংশিংবা য়াবদি এস ঐচ গোল্ডন থাঙা উৎলৌগী এস এ আই (এস এ জি) দা কন্ত্রেক বেসিসতা কোচ ওইরিবনি। মহাক্কী কন্ত্রেক্কী মতমসু থা অসিগী ৩০ দা লোয়রবনি। মমাংদা থা অসিগী ১৯ দা রিজনেল দিরেক্তরনা নেসনল দিরেক্তর (কোচিংদসু) ৱাকৎ চেরোল অমা থাখ্রে অমসুং থাঙাগী মহুত্তা অনৌবা কোচ অমা ন্যু দিল্লিদগী থারক্লবা অমদি মহাকপু মখা তানা কন্ত্রেক্তা এক্সটেন্দ তৌদনবা ৱাফম হায়জখি হায়রি।

রিজনেল দিরেক্তরগা ৱারী শানবদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী টিম অদুনা থাঙাগী কন্ত্রেক্কী মতম থা অসিগী ৩১ দগী চথদনবা অমদি খুদক্তগী মহাকপু লৌথোকখিনবা ৱাফম তকশিনখি। ৱাফম কয়া অসি থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রবদি টিদিম রোদ ওইরিবা নেসনল হায়ৱে ১৫০ দা মতম কক্তবা বন্দ তৌগনি হায়না ফোঙদোকখি। এস ঐচ গোল্ডন থাঙা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩২৫ কী মখাদা নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা এফ আই আর পান্দুনা পুলিসনা ফাদুনা লৈরি হায়রি।

ইরাবতকী ৱাখল্লোন নীংশিংদুনা খুন্নাইগী অফবা থবক তৌসি:নবকুমার

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোন নীংশিংবগা ইরোয়ননা খুন্নাইগী অফবা থবক তৌবা তঙায়ফদে হায়না খা মণিপুর হিন্দুষ্টানি সঙ্গিট মহাবিদ্যালয়া ককচিংগী প্রিন্সিপাল এসঐচ নবকুমারনা ঙসি জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা লময়ানবা ইরাবত য়াওল য়েন্নিং হুনখিবা নীংশিং নুমিৎকা লোয়ননা ইরাবত শৈথা ঈশৈ চাংদম্নবা হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর পোলিটরিয়েট পীপলস দেম্মোক্রেটিক য়ুনিয়ন, সোসিয়েলিষ্ট ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর অমদি ষ্ট্রগল কম্মিটি ওফ মণিপুরনা পুন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা এসঐচ নবকুমারনা হায়খি, লময়ানবা ইরাবত নীংশিংদুনা ঈশৈ চাংদম্নবগী থৌরম পাঙথোকপা য়াম্না মরুওইবা অমনি। অঙাংশিংবুসু লময়ানবা ইরাবতকী মরমদা নীংথিনা খঙহনবা তঙায়ফদে। লুচিংবা অসিগী ৱাখল্লোনশিং নীংশিংবগা লোয়ননা খুন্নাইগীদমক অফবা থবক তৌসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা এন বি সী দব্লিউ দিগী মেম্বর অহোংশাংবম প্রেমকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, লময়ানবা ইরাবতপু নীংশিংদুনা থৌরম পাঙথোক্লরি। থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা লময়ানবা ইরাবতনা পামজরম্বা কয়া অদু ঐখোয়না নীংশিংবা তঙায়ফদে। অফবা থবক থৌরম কয়াদা পুক্লিং চঙনা তৌসি। মণিপুর আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা শিংথানিংঙাই ওইবা লমদমনি। আর্ট এন্দ কলচরনা লমদম অসিবু মশক তাক্লি। লময়ানবা ইরাবতনা খুন্নাই অসিগীদমক হীরম কয়াদা মীয়ামগী য়াইফনবা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনরম্মী। অসিগুম্বা লুচিংবা অসিনা হোৎনরম্বা কয়া অদু ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংবা তঙায়ফদে। উ চারা থারবদি পাম্বী অদু নীংথিনা মখোঙ শোমদুনা হৌনবা হোৎনবসু তঙায়ফদে। লমদম অসিদা উ চারা থাবা কয়া ইতৎ তৎতনা থেংনৈ। অদুবু থারবা মতুংদা য়েংশিনবীবগী মওংদি ইউ উদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা ইম্ফাল তাইমসকী এদিটর রিঙ্কু খুমুকচমনা ফোঙদোকখিবদা, লময়ানবা ইরাবত শক্লোন য়াম্বা লুচিংবা অমনি। মীয়ামগীদমক য়াইফনবা লুচিংবা অসিনা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনরম্মী। নুংঙাইনা পুন্সি লেনবা য়াবা মীওই অমা ওইরবসু মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়ননা লাকখি। ওইজবা থাদোকপা অমদি মীয়ামগীদমক থৱায় কৎখিবা অদুগুম্বা লুচিংবা অসি ঐখোয়না নীংশিংবতা নত্তনা মহাক্কী মরমদা নীংথিনা খঙনবা হোৎনবা তঙায়ফদে। মণিপুর খুন্নাইদা লময়ানবা ইরাবতকুম্বা লুচিংবা অমা মথৌ তারি। লময়ানবা ইরাবতনা খুন্নাইগীদমক লৌরম্বা থৌদাং কয়া অদু শীংথানিংঙাই ওই। শক্লোন য়াম্বা হীরম কয়াদা মীয়ামগীদমক হোৎনখিবা লুচিংবা অসিগী কুমওন থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোক্লরি। থৌরম পাঙথোকপগা ইরোয়ননা লুচিংবা অসিগী মরমদা নীংথিনা খঙনবা হোৎনবা অমদি মহাক্লা পামজরম্বা থবক কয়া অদু ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না পাঙথোক্লবা হোৎনবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর পোলিটরিয়েট পীপলস দেম্মোক্রেতিক য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এন মেঘচন্দ্রসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। তুংদা লময়ানবা ইরাবত শৈথাবা ঈশৈ চাংদম্নখি। ঈশৈ চাংদম্নখিবা অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা শৈশকপা কয়ানা শরুক য়াখি।

বন্দনা মহৌশাগী পূন্সিদা অকায়বা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : নেসনল রেভলুস্নরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম) না কৌখিবা পুং ২৪ গী বন্দনা মহৌশাগী পূন্সিদা শাথিনা অকায়বা পীখ্রে।

বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফালগী কৈথেল অমদি দুকানশিং থোঙ হাংনখিদে। কৈথেলদা পোৎ য়োনবা কানরকখিদে। লম্বী-লমজাউদা বস অমদি অতৈ গাড়ী মচাশিং চেন্নখিদে। বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমদি ককচিংনচিংবা মফমশিংদা লৈবা কৈথেলদা পোৎ য়োনবা কানরকখিদে অমদি দুকানশিং থোঙ হাংনখিদে। লম্বী-লমজাউদা পেসেঞ্জর গাড়ী চেন্নখিদে। মণিপুরগী মপান লম ফাওদুনা চেল্লিবা গাড়ীশিং চেন্নখিদে। মদুদা নত্তনা ইন্টর ভিলেজ রোডতা সার্ভিস তৌরিবা গাড়ী মচা অমদি অচৌবশিং চেন্নখিদে।

বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা শিন্মীশিং থবক কাবগী চাং নেমখি। লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই স্কুলশিং মহৈরোয়শিং কানখিদে হায়রি।

হরাউ-কুম্মৌ, সিনেমা-দ্রামা অমত্তা পাঙথোক্লখিদে। বন্দ মনুংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা পুলিসনা চেকশিন-থৌরাং ওইনা মীৎ-না শিংনা লৈনখি।

এন আর এফ এমনা কৌখিবা পুং ২৪ গী বন্দ অসিগী মরু ওইবদি কুমজা ১৯৪৮ দা মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট তৌনখিবগী নুমিৎ অসিবু মণিপুরনা ইন্দিয়ন য়ুনিয়নদা পুল্লে হায়বগী অয়াবা মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রদগী নমদুনা খুৎয়েক লৌনখিবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসিবু এন আর এফ এমনা ঐখোয় পংথরগুমসি হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা নুমিৎ অদুদা চথখিবা ইন্দিয়াগী থৌওং অদু মথোং হুক্তবা থৌওংনি হায়রি।

নুংবাগী অনৌবা সী দি পি ও পোষ্টিং পীরকপা তরাম্না ওকই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস) : আই সী দি এস নুংবাগী অনৌবা সী দি পি ও অমা পোষ্টিং পীরকপা তরাম্না ওকই হায়না নুংবা এরিয়া জোইন্ট এক্সন কম্মিটিগী চ্যেয়রমেন অমদি জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, সোসল ৱেলফ্যেয়র মিনিষ্টর, সোসল ৱেলফ্যেয়র দিরেক্তর অমদি দি সী তমেংলোংনা আই সী দি এস নুংবাগী অনৌবা সী দি পি ও অমা থারকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মণিপুর লৈঙাক্তসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

নুংবা আই সী দি এসকী সী দি পি ও ওইনা এনিমা রোয়বু থারকখিবা অসিদা তরাম্না ওকই। মহাক্লা নুংবা এরিয়াগীদমক থবক নীংথিংনা তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। অনৌবা সী দি পি ও অসি থা অসিগী ২৩ ফাওবদা মহাক্কী পোষ্টিং মফমদা রিপোর্ট তৌবীয়ু। নুংবা এরিয়া জোইন্ট এক্সন কম্মিটিগী মায়কৈদগীসু পাঙবা য়াবা মতেঙ পাঙগনি। নুংবা এরিয়াদা লৈরিবা লৈঙাক্কী ওফিসশিং অমদি ওফিসশিংসু হাংলগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

‘ইরাবতনা কল্লম্বা মণিপুরগী ঙমখৈ ...

*লামায় ১গী মখা...*মখুৎতগী ইন্দিয়ানা লৈঙাক চল্লায়রকপা মতম অমনি। মণিপুর অমসুং ত্রিপুরা পীকচরবসু নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরম্মী। অৱাং নোংপোক্তা ত্রিপুরা, কাছার, লুসাই হিলস হায়না খঙনরম্বা মিজোরাম অমসুং মণিপুর পুনশিল্লগা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্নবা ৱাফম লাকখি। মদুগী কোনুং সিলচরদা ওইগনি হায়বা ফিভম লাকখি। ইরাবতনা লীংখৎপা কম্ম্যুনিষ্ট পার্টিনা মদু য়াখিদে। মণিপুরদি ওটোনোমস ওইবা লৈঙাক অমা লীংগদবনি হায়বগী খোঙফম চেৎনা লেপখি।

পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বা য়ারোই হায়না প্রোটেষ্ট তৌখি। য়াইস্কুলদা লৈবা এম দি য়ুদা মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা নেতা ইরাবতনা ৱা ঙাংনবা থৌরাং তৌখি। নুমিৎ অদুদা লৈঙাক্লা নেতা ইরাবতকী মীটিং অসি মায় পাকহনবা য়াদে হায়না লম্লাই মায়কৈদগী লাকপা লৌমী কয়াবু থিংহনখি। পুলিসকা মুক্লবদা পুলিস অমা মফম অদুদা শীখি। লৈঙাক্লা নেতা ইরাবতপু অন্দরগ্রাউন্দ তাহনখি। মহাকপু হিংনা নৎত্রগা শিনা পুরকপা ঙম্বা মীওইদা মনা পীগনি হায়না লাউথোকখি। করিগুম্বা মতম অদুদা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেন্নল্লবদি মণিপুর লৈরল্লোই। নেতা ইরাবতনা লৌরম্বা ফিরেপ অসি য়াম্না মরুওই। মণিপুরগী অঙাং, অহল, নুপা নুপী খায়দনা মহাকপু সপোর্ট তৌখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা সী পি আইগী লাইশ্রম সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ১৯৪৮ কী সেপ্তেম্বর ২১ মণিপুরগী পুৱারিদা চিরবা নুমিৎ অমা ওইখি। বৃটিস লৈঙাক্তগী ইন্দিয়ানা নীংতম্লবা মতুংদা জৱাহরলাল নেহরুনা লুচিংবা ইন্টরিম লৈঙাক্লা মণিপুরগী পোলিটিকেল অমদি টেরিটোরিয়েল আইদেন্টিটি থুগায়রগা ত্রিপুরা, লুসাই হিলস, কাছার পুনশিল্লগা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্নবা হোৎনখি। কুমজা ১৯৪৮ তা মণিপুর কন্সটিট্যুসনগী মখাদা পাঙথোকখিবা মণিপুর এসেমব্লী মীখলদা দল অসি সীট খরতমক ফঙদুনা ওপোজিসন ওইখি।

সেপ্তেম্বর ২১ দা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন হোলদা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশকী মায়োক্তা মীয়ামগী প্রোটেষ্ট মীটিং ফম্নবা থৌরাং তৌখি। মীফম অসি য়াওনবগীদমক খোঙনাবেন্দ পার্টিগা লোয়ননা লম্লাই মায়কৈদগী লাকখিবা মণিপুর কৃষক সভা, প্রজা সঙ্ঘ, মহিলা সমেলনিগী মেম্বর অমদি লৌমী কয়া মণিপুর পুলিসনা পুংদোংবমদা থিংনবা হোৎনখি। নাকল অনীনা মুক্লরকপদা কৈসাম নরানবাবু শিখি। থৌদোক অসিগী তেকচাক এম দি য়ুদা লৈরিবা ইরাবত অমদি মহাক্লা লুচিংবা লুপশিংদা ননশিল্লকখি। এম এল এ ওইরবা ইরাবতকী মথক্তা মতমদুগী লৈঙাক্লা অরানবা মরাল কয়া শীজিল্লগা ফাননবা য়াথং তৌখি। নুমিৎ অসিদগী লুচিংলেন অসি অন্দরগ্রাউন্দ তাখি। মৈ-ঈশিংনা চামদুনা কোক্লরোইদবা, মীয়াম্না কাউঙল্লরোইদবা সেপ্তেম্বর ২১ গী থৌদোক্লি। পুংদোংবমগী থৌদোক অমসুং পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশকী পুৱারি নীংশিংবগা লোয়ননা ঐখোয়না কাউঙমদবা হিষ্টোরিকেল ত্রেজেদিনি। লময়ানবা ইরাবতনা থুপখ্রবা মতুংদা সী পি আই অমসুং পার্টি অসিগা শাগোন্নরিবা মাস ফ্রন্টশিংনা ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল ষ্টেটস কন্নবগীদমক ষ্টেটহুদকী মুভমেন্ট চঙশিনখি। কুমজা ১৯৭২ দা ষ্টেটহুদ ফঙখি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আই সী সী মণিপুরগী চ্যেয়রমেন থোকচোম তোম্বা, ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট মেম্বর লাঙ্গোল ইবোয়াইমা, দেপ্যুটি সেক্রেটরি লৈশাংথেম থোইরেন, অইবা চানা লুখোই, সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরিয়েট মেম্বর অথোকপম লালা অমদি সুরচান্দসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।